**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-09-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা হায়রি- বি.জে.পিনা মণিপুরদা এন.আর.সি. পাঙথোকবা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংদা তকদুনা লাক্লি।

২) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা ঙসি জেনিমসতা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা উরেপ উযুং তমখ্রে।

৩) মণিপুরদা সেবা সংকল্প অভিয়ান মায় পাকা পাঙথোকবা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা শেম শানরি।

৪) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ভারত্তা মখল মখা কয়াগী লোলশিং লৈবা অসিনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা শক্তি ওইরিবনি।

অমসুং

৫) কেন্দ্র সরকারনা হায়রি- ভারত লান্মীনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদগী জম্মু-কাশ্মীরগী ফিভম শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে।

------

বি.জে.পি(এল)ঃ বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা সোসিয়েল মেদিয়াগী মতাংদা ৱার্কশোপ অমা ঙসি বি.জে.পি ষ্টেট ওফিস, থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কশোপ অসিদা বি.জে.পিগী মোর্চা, দিষ্ট্রিক্ট অমসুং মন্দলশিংগী সোসিয়েল মেদিয়া টিমশিং শরুক য়াখি।

ৱার্কশোপ অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- এন.আর.সিগী ৱাফম অসি বি.জে.পিগী মীখলগী মেনিফেস্তোদা য়াওরবনি অমসুং দল অসিনা হান্নদগী হৌনা এন.আর.সিগী দাবী তৌদুনা লাকপনি। মসিগী মথক্তা মণিপুরী জাতিবু কঞ্জনবগীদমক আই.এল.পি রাজ্য অসিদা চৎনহনখিবা অদু বি.জে.পি সরকারননি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ-ফুরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা হিংমিন্নগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা বি.জে.পিনা ঙসি ফাওবা হোৎনদুনা লাক্লি। বি.জে.পিনা তৌবা অফবা থবক ময়াম অমা ইং কুমজা ২০২৩ গী মেদগী থোরকখিবা ইরাংনা নমহাৎখিদুনা মীয়ামদা খঙহনবা ঙমদ্রে। মরম অদুনা দলগী সোসিয়েল মিদিয়া অসি হেন্না এক্তিভেট তৌবা চংই।

থৌরম অদুদা দলগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট অমসুং রাজ্য সভা এম.পি- এ. সরদা দেবীনা হায়- সরকার অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লোখৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা খঙহনবা খরা ৱাৎনা উরে। মরম অদুনা দলগী সোসিয়েল মিদিয়া টিমশিংনা সরকারগী থবক থৌরমশিং অসি খঙহন্নবগীদমক হেন্না এক্তিভ ওইবা তঙাইফদে।

হৌদোকপগী থৌরমদা এম.এল.এ- থৌনাওজম বসন্তকুমার অমসুং দলগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

জেনিমস (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা জেনিমসতা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কন্ট্রেক্টতা থবক তৌরিবা কর্ম্মচারিশিংগী রিগুলরাইজেসন অমকপা লৈতবা মওংদা তৌনবা হোৎনগনি। মরম অদুনা শেল পীজদুনা ৱানোম্বগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা মশা মশাগী মথৌদা পুকিং চংনা থবক তৌগদবনি। মহাকা হায়- কোবিদ নাইন্তিনগী মতমদা ডোক্তর অমদি নর্সশিংনা লৌখিবা থৌদাংশিং থোইদোকা শিংথানিঙাইহনি। থম্মোয় শেংনা মথৌ নিংথিনা তৌরিবা কর্ম্মচারিশিংগা মরী

লৈনবা য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপদা সরকারনা মখোয়গী তৌফম থোকপশিং শোইদনা থবক্তা ওন্থোক্কনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি শঙ্গাখিবশিংগী মনুংদা লুপা লাখ ১৯ চংবা মল্টিপরপজ জিম, লুপা লাখ ৪০ চংবা ওতোক্লেভ মেছিন, লুপা কোতি ৪ রোম চংবা সি-আর্ম দিজিতেল আর-নাইন্তি দিজিতেল রেদিওলোজি এন্দ ফ্লুরোসকোপিনচিংবা য়াওরি। উরেপ উয়ুং তমখিবশিংগী মনুংদনা জেনিমসকী নর্সিং কলেজ য়াওরি।

থৌরম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি- রাজিভ সিংহ ঠাকুর, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যারগী কম্মিসনার সুমন্ট সিংহ অমসুং জেনিমসকী দিরেক্তর সোমোরজিৎ শলাম শরুক য়াখি।

হিন্দি (এল)ঃ সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো ইম্ফালগা পুন্না শিন্দুনা হিন্দি দিবসকী থৌরম ঙসি শিংজমৈ ময়েংবম লৈকাইদা লৈবা সি.বি.সি-আর.ও ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সি.বি.সি-আর.ও ইম্ফালগী সোং এন্দ ড্রামা গ্রুপনা হিন্দিগী মতাংদা শৈথাদুনা শকপা ঈশৈ অমা খুদোল তমখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা শৈরেং, ত্রান্সলেসন অমসুং রচনা ইবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা অথোই অহেনসু তান্নখি।

সেবা (এল)ঃ ফেরজোল জিলাদা থা অসিগী ১৭ তগী মথং থাগী ১৭ ফাওবা থা অমা চুপা পাঙথোক্কদৌরিবা সেবা সংকল্প অভিয়ানগী শেম শারিবশিং ঙসি ফেরজাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অনুনে আনন্দনা য়েংশিনখ্রে। দিপ্যুতি কম্মিসনারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা হন্না য়েংশিনবগী মীফমদা জিলা অদুগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

ককচিং জিলাগী ওইনসু ঙসি দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা সেবা সংকল্প অভিয়ান পাঙথোকবা শেম শারিবশিং অদু য়েংশিনবগী মীফম

অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এঞ্জেলিন রেনিতা অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা ঙসি সেবা সংকল্প অভিয়ান পাঙথোকবগী মতাংদা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমিতিগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবম য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাগী নৌনা পেভর ব্লোক থাদুনা শেম্বা লোইরবা ককচিং-ৱাইহিরি ইমোইনু পরেং লম্বী ঙসি ময়াংলম্বম রামেশ্বর এম.এল.এনা হৌনবী মতুংইন্না মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। লম্বী অসি এম.এল.এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা শেম্বনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রামেশ্বরনা হায়- লম্বী শেম্বগী থবক্তা অখুবা রাজনীতি তৌনবগী মহুৎতা পুন্না তান্নমিন্নদুনা মীয়ামগীদমক হেন্না ফবা লম্বীশিং শেমনবা হোৎনমিন্নশি।

মৈ (এল)ঃ জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদগী খারোমদা জিরি-তিপাইমুখ লম্বীদা কিলোমিতর ১২ লোম চৎলগা লৈবা খেদাগর খুঙ্গংদা ঙরাং নুমিদাং মশক খঙদবা মীওইশিংনা মী লৈনদ্রবা য়ুম অমা, চাকখুম অমা অমসুং দুকান অমা তুমনা মৈ থাদোক্লম্লে। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- মৈ চাকপা অদুদা য়ুমগী পোৎলম কয়া অমসু অমাং অতা থোকখ্রে। পুলিসনা সু মোতু কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি।

থৌবাল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগী গেট মনাক্তা পোকপদা ঙাইহিরিবা অঙাং অমগী অশিবা হকচাং লৈরম্লে। থৌবাল পুলিসকী পাউনা হায়- থোদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮ মিনিত ৫০ রোম তাবা মতমদা থেংনখিবনি। পোকপদা ঙাইহিরিবা অঙাংগী হকচাং অদু অমুবা পোলিথিন অমগী মনুংদা হাপ্তুনা থম্লম্বনি। হকচাং অদু থৌবাল পুলিসনা লৌখৎলবা

মতুংদা জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা পুং ৪৮ গী মনুংদা মশক তাক্লদ্রবদি আইনগী ওইবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়রি।

মৈ (এল)ঃ থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি. মোংশাংগে সব-ষ্টেসনদগী লাকপা এলেভেন কে.ভি. নম্বুল ফিদরগী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৩ মখায় ফাওবা মৈ পীবা লেপকনি হায়রি। মসিনা মরম ওইদুনা খাগেমপল্লিদগী কৈশামপাউ জঙ্কসন অমসুং নিংথেমচা কারোং ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমদা হায়রি।

থৌবাল (এল)ঃ আই.সি.এ.আর, নিনফেট কোলকাতাগী থৌশিল মখাদা কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র থৌবালনা শিন্দুনা কিহোম মনাগী লংদগী খুৎ-শা হৈবগী পোথোকশিং পুথোকপা হায়বসিদা নুমিৎ ১০ নি চথুগদবা স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী কে.ভি.কে থৌবালদা হৌখ্রে। মদুদা ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদগী খনগৎলবা ত্রেনি ২০ না শরুক য়ারি।

উ (এল)ঃ লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক থাগা মরী লৈননা ঙসি ৱাংজিং হোদাম্বগী লম্বী মতাইদা লৈ অমদি উহৈ পানবা উ চারাশিং থাখ্রে। থৌরম অদু লৈ অমদি উ চারা শেম্বদা মমিং লৈরবী ৱাংজিং হোদাম্বদগী মাইবম নিংঙোল মেম্মানা লুচিংখি। থৌরম অদুদা এন.জি.ওশিং, ক্লব অমসুং অতৈ লুপ কয়াগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

ৱেদর (এল)ঃ মণিপুরদা হয়েং তোঙান তোঙানবা জিলা ৮ দা নোং চুগনি হায়রি। ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউনা হায়- তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর

অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা হয়েং অমসুং মথংগী নুমিৎতা নোং চুগনি। মফম খরদদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসকী সংসক বত্তাল্লিয়ন্না শিন্দুনা উখ্রুল জিলাগী সংসক খুনাউদা মফম অদুগী মীয়ামগা ৱারী শান্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী পাউনা হায়- মীয়ামগা ৱারী শান্নদুনা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মীয়ামগী মরক্তা থাজনবা অমদি তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা পুন্না খুঞ্জা ১৫০ রোম শরুক য়াখি।

সিপিআই (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী চনম সন্দ্রোক ময়াই কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি ১৩০ শুবা ইরাবত থাবুম পালনগী শরুক অমা ওইনা জননেতা হিজম ইরাবতগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ইরাবতকী ৱাখল্লোনশিং অমদি মহাকা পাঙথোক্লম্বা থবক থৌরমশিং শিংথাখি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ভারত্তা মখল মখা কয়াগী লোলশিং লৈবা অসিনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা শক্তি ওইরিবনি। ঙসি হিন্দি দিবসতা পীবা পাউজেল অমদা মহাকা হায়- হিন্দি লোল অসি অতোপ্পা লোল অমগা চাং তান্নবা লোল নত্তে। অদুবু জাতিগী অমত্তা ওইবা লীপুনবু শমহল্লিবা মরুওইবা লংলা অমনি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- কোলোনিয়েল মাইন্দসেটতগী নাম্থোকবা হোৎনবদা লোলনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। মহাক া হায়- বৃটিশকী আইনশিং ভারতিয়া নিয়াই সংহিত্যা, ভারতিয়া নাগরিক শুরক্সা সংহিত্যা অমসুং ভারতিয়া সক্স্যা আধিনিয়মনা মহুৎ শিন্দোক্লিবা অসি ৱাহৈ ওন্থোকপা খক নত্তে। ইশাগী চাউথোকচবা অদু অমুক হন্না লৈহনবনি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হিন্দি অমসুং অতৈ

লোলশিং অসি টেকোলোজিকেল দিভলপমেন্টকী খ্বাইগী মাংজিল থাবা তাঙ্কক উবা ফংলে।

অনৌবা ইজ্‌কেসন পোলিসিগী মতাংদা শ্রী সাহনা হায়- থৌশিল অসিনা ইমালোলবু মহৈ মশিং তম্বগী ময়োল ওইহল্লি। মহাকা নহাশিংদা মশা মশাগী মমালোল তমবা অমসুং মমা-মপা ওইবশিংনা য়ুম য়ুমদা ৱারী শান্নবদা লোল অসি শিজিন্ননবা তকশিনখি।

রাজনাথ ঃ নিউ দিল্লিদা ব্রিক্স সম্মিৎ ২০২৬ মায় পাকা পাঙথোকখিবা অদুগীদমক ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। মহাকা হায়- মায় পাক্লিবা অসিনা মালেমগী ফম্বাক্তা মুৎপা নাইররোইদবা খুদম অমা থম্লম্লে। শিংথানিঙাই ওইরবা নিউ দিল্লি দিক্লরেসন সহি তৌনখিবা অসি ইচম চম্বা দোক্কুমেন্ট অমখক নত্তে, মসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা মালেমদা ভারতনা পীবা ঈথিল হেনগৎলক্লিবা অদুগী মমি চাউনা তারিবা ৱারোল অমনি।

ঐতিহাসিক ওইরবা ব্রিক্স সম্মিৎ মায় পাকা ঙরাং নিউ দিল্লিদা লোইশিনখিবনি।

জেকেঃ কেন্দ্র সরকারনা হায়রি- ভারত লান্মীনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদগী জম্মু-কাশ্মীরগী ঙাকশেলগী ফিভম শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে। ইং ২০২৫-২৬ কী চহিগী রিপোর্ট পল্লদুনা ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- ভারত লান্মীনা হৌজিক লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাং কয়া অসিনা মরম ওইরগা জম্মু-কাশ্মীরদা হিংশাগী থৌদোকশিং থোকপগী চাং অদুক্কী মতিক হন্থরে। রিপোর্ট অদুদা হায়- ওপরেসন শিন্দুর পাঙথোক্লিঙৈ মনংদসু জম্মু কাশ্মীর অমদি লাইন ওফ কন্ট্রোলগী মফমশিংদা ইরাং থোকপগী চাং নেমখি।

মন্ত্রালয়না মখা তানা হায়- হৌখিবা ইং ২০২৫ দা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোলদা ভারত লান্মীগী তোঙান তোঙানবা ব্রিগেদশিং হাংদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। মসিনা মরম ওইরগা মফম অদুদা চাইনাগী লান্মীশিং

থাজিল্লকপগী চাংসু অদুক্কী মতিক নেমখি। ভারত অমসুং চাইনা অনিগী লুচিংবশিংনা তোঙান তোঙানবা মীফম কয়া পাঙথোকখিবগী অফবা খুদম কয়া উবা ফংই। লোয়ননা ঙাকশেল মন্ত্রালয়না ভারতকী উদ্যোগশিংগী থবক থৌরমদা মপানদগী প্শিল্লকপা পোৎলমশিংগী মপাল তাংদনবা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি হায়রি।

নেপাল ঃ কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রালয়না নেপাল ইলেক্ট্রিসিতি ওথোরিতিদা চহি অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা ঙরাংদগী হৌরগা নোংমদা পুং ১৮ ইলেক্ট্রিক্ট পীবা য়াখ্রে। মন্ত্রালয়না হায়- মৈ মেগা ৱাট ৬০০ ফাওবা মুজাফরপুর ধালকেবার লাইনদা অমসুং মৈগা ৱাট ৫৪ না তনকপুর-মহেন্দ্রনাগর লাইনগী খুত্থাংদা পীগনি।

মন্ত্রালয়না হায়- ভারতনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিনা নেপালগী ঈচাউনা শোকহল্লবা মীয়ামদা মৈগী খুদোংচাবা পীবা ঙল্লগনি। মসিদসু নত্তনা লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না ফবা মরা থম্বা ঙল্লগনি। ভারতকী মাইকৈদগী য়ুমথংনরিবা নেপালগী অৱাবদা শরুক য়াবতা নত্তনা লম কয়াদসু মখা তানা তেংবাং পীগনি।

ভুতান ঃ ভারতকী চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার গ্যানেস কুমার নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙসি ভুতানদা থুংখ্রে। খোঙচৎ অসিদা ভুতানগা নিংথৌ জিগমে খেসর নমঙেল ৱাংচুকক থিম্ফুদা উন্নগনি। লোয়ননা হয়েং পারোদা লৈবা জিগমে সিংয়ে ৱাংচুক স্কুল ওফ লোগী কেম্পসতা পাঙথোক্কদবা লৈবাক অসিগী নেসনেল ভোতরস ডেদা শরুক য়াগনি।

খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা শ্রী গ্যানেসনা ভুতানগী প্রধান মন্ত্রি দাসো সেরিং তোপগেগসু উন্নগনি। চীফ ইলেক্সন কম্মিসনারগী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনেল কোওপরেসনদসু হেন্না খুমাং চাওশিনবা ঙল্লগনি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ চিংঙামথক য়ঙ লন্নরস ক্লব (সি.ৱাই.এল.সি) না শিনদুনা পাঙথোকপা অহানবা শিংজমৈ সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন.এল.সি.টি.এলনা দব্লিউ.ভি.এস.দিবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখ্রে।

সিআরপিএপ ঃ ইন্সপেক্তর জেনেরেল মণিপুর-নাগালেন্দ সেক্তরগী লিচিং মখাদা ৮৬ সুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী লোংমাইদা চথুরকখিবা ফুটবোল তুরনামেন্ট ঙসি লোইশিনখ্রে।

তুরনামেন্ট অসি স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী খেল্লো ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী মখাদা স্পোর্টস ফোর পিছ্ এন্দ দিভলপমেন্ট এক্রোস দি নেসনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা নুংতেক য়ুথ ক্লব (এন.ৱাই.সি)না লোংমাই মোর্দন য়ুথ ক্লব (এল.এম.ৱাই.সি)বু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা অলফা ওমেগা একাদমিনা লোইমাই-টু য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইদুনা অহুমশুবা তাখি।

ক্রিকেট ঃ ভারতনা ৱিমেন্স এসিয়া কপ ক্রিকেটকী ৱিন্নর ওইরে। ঙরাং দুবাইদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতনা শ্রীলঙ্কাবু রন ৭২ দা থোইদুনা কপ অসিগী টাইটল লৌরকখিবনি। মসি থারগা ভারতনা নুপীগী এসিয়া কপ লৌবা ৮ লক শুরে।

ভারতকী নুপী ক্রিকেট টিমনা এসিয়া কপকী টাইটল লৌরকপদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোক্লি।

------